হৌজিক্কী মীরোলনা ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্বা চৎনব–কাঙলোন খঙদ্রে ঃ কে লৈশিও

ইম্ফাল,মে ১৫ঃ মতমগী মতুং ইন্না হোংলকপা চৎনবী অমসুং ধর্ম্মনা মরম ওইরগা ঙসিগী মীরোলনা লাইওইখ্রবা ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ফজখ্রবা চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোন পূম্নমক অমত্তা খঙদ্রে হায়না ফুংয়ার এ/ সি গী এম এল এ কে লৈশিওনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফুংয়ার এ/ সিগী তরেৎলোক তুরেল খোঙনুংদা ঙরাং এ/ সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা তাঞ্জুল ফুরুপকী ওইনা পাঙথোকখিবা "য়াই থাদুনা ঙা ফাবা" কম্ম্যুনিটি ফিসিংগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এম এল এ কে লৈশিওনা মখা তানা হায়, থৌরম অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌদুনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা চীংমী ফুরুপশিংনা পাঙথোকপা, লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাকখ্রবা থৌরম অমনি। থৌরম অসি লৌ থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা নৎত্রগা থারবা মতুংদা নোং কৌথনবা পাঙথোকপা থৌরমনি। অসিগুম্বা চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থৌরম কয়া অসি ঙসিদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা খঙহনবা অমদি তুং ইন্দুনা চৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মালেমদা কাঙলূপ ফুরুপ অমা ওইনা মশক থোক্না লৈবা ঙমগনি হায়খি।

তুরেল খোংনুংদা অহিং য়ারেক্তুনা নুমিদাংগী মতমদা ঙা ফানবা তাঞ্জুল লোন্দা য়াইয়ী অমসুং রুপুইগ্রু কৌবা উ অমসুং উরাশিং য়াওনা ঙা ফানবা অতে খূৎলাইশিং শেম শাখি। নোংঙাল্লবা মতুং অয়ূক অঙনবদগী হৌদুনা নাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎ–চাদুনা নুমিদাংগী মতমদা শেম শারবা পোৎলমশিং অদু তুরেলগী ঈচেলদা উককনা য়েদুনা পোফালাগী মচুম অদু ঈচেলদা তাহল্লবা মতুংদা ঙা ফাবা, ফারবা ঙাশিং অদু খুলজাশিংদা য়েম্হোকপা অমদি অমতা ওইনা পুনমীন্নবনা থৌরম অদুগী মপূং ওইবা শক্তম ওইখি।

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No. 775/SDC/P of 2019

1. Kshetrimayum Joychand Singh S/o (L) Ksh. Nimai Singh of Naharup Huirem Leikai
2. -do- Nodiyachand Singh S/o (L) -do- of -do-

- Petitioners

-Verses-

(L) Kshetrimayum Nimai Singh S/o (L) Nila Singh of Naharup Huirem Leikai

- O.P.

NOTICE

Porompat,the 15th May, 2019

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 44-Thangbijao গী Patta No. 74(O) (অরিবা) 132 (N) (অনৌবা) C.S. Dag No. 150 an area 1.81000 acre of Phourel Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East, Manipur

SL/Bill(L)C/16

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No. 778/SDC/P of 2019

Pungshubam Bimola Devi W/o (L) Kunjo Singh of Achanbigei

- Petitioner

-Verses-

Pungshubam Kunjo singh S/o (L) Chandrahas Singh of Achanbigei

- O.P.

NOTICE

Porompat,the 15th May, 2019

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 16-Laishram Leikai গী Patta No. 122 (অরিবা) 258/302 (অনৌবা) C.S. Dag No. 49 an area 0.47250 acre of Phourel Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East, Manipur

SL/Bill(L)B/16

In the Court of Sub-Deputy Collector
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. :- Mutation Case No. 913/SDC/IW(C) 10/05/2019

Hijam Mukundo Singh S/o (L) H. Nandakumar Singh of Takyel Khongbal

- Petitioner

-Vs-

Late Hijam Ongbi Tilotama Devi
W/o (L) Nandakumar Singh of Takyel Khongbal

- O.P. Party

NOTICE

Imphal, The 14/05/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Hijam (O) Tilotama Devi W/o (L) Nandakumar Singh সাং Takyel Khongbal গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহসিলগী খুল নং 93-Takyel Khongbal গী অনৌবা পাট্টা নং 436 অরিবা পাট্টা নং 93/318 দাগ নং 403 অমসুং এরিয়ানা .0219 (হেক্টর) চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতূং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরদ্রবদি মতূংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/4804/16

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Keirao Bitra, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No.150/SDC/KBT Dt. 14/5/19

Yensembam Kulla Singh S/o (L) Y. Bokul Meitei of Irilbung Machahal

- Petitioner

-Verses-

Yensembam Bokul Singh S/o (L) Chandrahas Singh of Langdum

- O.P.

NOTICE

Keirao Bitra,the 14/05/2019

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 56/Keirao Langdum গী Patta No. 159 (অরিবা) 201 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1016 an area 0.09000 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar Y. Bokul Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা মপাগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Keirao Bitra Imphal East, Manipur

SL/Bill(L)A/16

[illegible] **DUTTA** [illegible]

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক অর্সিনাসক পাইলস কেপসুল দত্তা ক্লিনিকতগী ফংবিগনি

অঙৌবা পকপা

অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন থুংলরে। হৌজিক্কী অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱারুবগী দরকার ওইদ্রে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্নবনা পূং ২৪ গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিবা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুংফ ফহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মায়হিং, স্কিন অজমা, উরিং, মায় চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সসুএল প্রোব্লেম)

নুপাগী ফম্বী থুনা থোক্কনবা, ফম্বী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্বা, নুমিদাংদা ফম্বী চৎপা, খোঙ হাম্বা অমসুং মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নরকপা, ফীনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদ্রবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচ্চবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

দাইবেটিসকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্রে

দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি ৱেট চাং হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু শোম্বরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসি শীজিন্নরবদি মতম খরগী মতুংদা দাইবেটিক্সকী চাংসু নোংমা নোংমগী হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তান্নবীয়ু।

ব্রেষ্টকী প্রোব্লেম

অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিন্না অদোমগী অপীকপা অমসুং চোম্বা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা, পূক্নীং চীংশিন্ননিংঙাই ওইবা অমসুং মপূং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাক্তুনা ব্রেষ্ট ওইন্টমেন্ট অমদি হীদাক শীজিন্নবীয়ু।

নুংশং

ঈ তাবা, চাফৎপা পোম্বা, হাক্কচ্চবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখল অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্রে। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কান্নবা খঙবা ঙমগনি।

শমগী প্রোব্লেম

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিংদা কোক্তা তৈনবা থাউ অদুগী অতোপ্পা হীদাক খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হম্বরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি।

গ্যাষ্ট্রিক্কী প্রোব্লেম (পুক্কী লায়না)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অসিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক থীনবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্রে।

নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা)

না তাবা ৱাৎপা, নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা, নাকোংদা তাবগী চাং ৱাৎলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্রে। অমুক্তং লাক্লগা তান্নবীয়ু।

তাং চিকপা অমসুং খ্বাঙ নাবা

তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিদুনা কন্টেক তৌবীয়ু।

য়ু করম্না থাদোক্কনি

অফবা মখলগী অয়ুরবেদিক্কী হীদাক শীজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোকহনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলনা ওইহনবা ঙম্মী। থুনমক তান্নবীয়ু।

SL/Package

Please Contact DR. (VAID) A.K. DAS

DUTTA CLINIC (REGD. NO. 55503) AYURVEDIC & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong, Imphal

Crossword # 160



ACROSS

1. Those who fib
6. Had on
10. Eden dweller
14. Simpleton
15. Amazed
16. Father
17. Mister (Sp.)
18. Devoted
20. Torn
22. Ranting speech
23. Watch
24. Outerwear
25. Defunct USAF branch
28. Fright
31. Unruly groups
35. Pack tightly
37. Malicious looks
38. Discharge
39. Actress ____ Hayworth
40. Cooking vessel
41. Space gp.
42. Client
43. Termite, e.g.
45. Norse thunder god
46. Ice mass
47. Compositions
49. Army insect
50. "The Diary of ____ Frank"
52. Naval off.
54. Pronouncement
57. Resounding
62. Crocodile's kin
64. Juliet's love
65. Ink stain
66. Asian language
67. Orchard members
68. Epic
69. Present!
70. Transmits

DOWN

1. Roster
2. Original thought
3. Isn't, slangily
4. Sources
5. Lane
6. Walk through water
7. Had bills
8. Maroon
9. Magazine VIPs
10. Renter's rooms
11. Computer info
12. Impersonated
13. Fabricated
19. Undercover gp.
21. Rod and ____
24. Eye surface
25. Clean thoroughly
26. Get up
27. Provide food
29. Rest
30. Brings up
32. Nebraska metropolis
33. Buffalo
34. Begin
36. Tequila drink
43. Under
44. Whiskeys
48. Nasal sounds
51. Not pos.
53. Night sound
54. Specks
55. ____ Fitzgerald
56. Drain problem
57. Lion's cry
58. Buffalo's canal
59. Prayer's end
60. Want
61. Hurl
63. "Raiders of ____ Lost Ark"

পাউখুম লমায় ৭ দা

পূক্নিং শৌশিং | বামোন অমুমচা

নুংঙাইবগী লাইৱা

করবারৱালা অমখক্কী অমত্তা পোকচবা মচানুপা অদু মহাক্কী করবারনা কূপ্না য়েংশিনবা ঙম্নমদে। মচানুপা অদুনা মপাদা ঙাইহাক লৈতনা হংই, 'নুংঙাইবগী অরোনবা লাইৱা অসিবু করিনো।'

মপানা ৱাহং অদুগী পাউখুম পীবগী মহুৎতা মচানুপা অদুবু নুংঙাইবগী লাইৱা তম্লুনবগীদমক্তা য়াম্না শিংবা নুপা অমগী মনাক্তা থারম্মী। নুপা মচা অদু অশিংবা নুপা অদুনা লৈরিবা কোম্হোং গুল্লবা ফুরা দলান লৈকোননচিংবা লৈতেংবা মফম অদুদা লাক্লম্মী।

অশিংবা নুপা অদু য়াম্না থবক চিল্লম্মী। নুপা মচা অদুনা মহাকপু উননবগীদমক্তা পুং অনীরোম ঙাইরম্মী। মমৈথংদা উনরবা মতুংদা অশিংবা অদুনা থাও মরিক অহুম মরি য়াওবা চমস অমা পীরগা মহাক্কা ময়ুম ওইরিবা ফুরা দলান লৈকোনশিংদু য়েংলুনবা অদুগা অমুক মহাক্কী মনাক্তা লাক্লবা খঙহলম্মী। অদুগা অমুক মহাক্কী মনাক্তা লাক্লবা খঙহলম্মী। তৌবতবু মহাক্কী মখূৎনা পায়রিবা চমসতা য়াওরিবা থাও মরিকশিং অদু মাঙ তাকহনখিবদি য়ারোই হায়নসু চেকশিন্না শিন্নরম্মী।

নুপা মচা অদুনা ফুরা দলানগী শিরীশিং অদু কাথোক কাশিন তৌরম্মী। লৈকোনগী অকোয়বদসু কোইচৎ চৎলম্মী। অদুবু মহাক্কী মীৎয়েং ৱাখল পূম্নমক চমস অমদি থাও মরিকশিং অদুদা থল্লম্মী। পুং অনীমুক্কী মতুংদা নুপা মচা অদু অশিংবা নুপা মচা অদুনা লৈরিবা কা অদুদা লাক্লম্মী।

'নহাক হল্লক্লেদনা, য়াম্না ফারে' অশিংবা নুপা অদুনা হায়রকই, 'নহাক্কা ঐনা লৈরিবা মফম অসিদা করি করি য়েংলক্লবা করি করি নুংঙাইবা ফাওরক্লবা ?'

নুপা মচা অদু নুংঙাইরমদে। মহাক্কা পুম্নমক অদু করি অমত্তা য়েংলক্তে শুপ্নগী চমস অদুদা য়াওরিবা থাও মরিকশিং অদু শেন্নদুনা লৈখি হায়না মরাল য়াজরম্মী। 'ফরে অদু ওইরবদি অমমুক হন্না চৎলগা ঐগী ফুরা দলান লৈকোনগী ফজবা পূম্নমক নমিৎ থিৎনা য়েংজরুখো চৎলু' হায়দুনা নুপা মচা অদুদা অমুক হন্না তাকপীরম্মী।

খরা শ্বর হোন্দোক্লবা নুপা মচা অদুনা অমুক হন্না চমস অদু পায়রদুনা ফুরা দলানশিং অদুগী মওং মতৌ, শিলিং, য়েকলিবা লাইশিং, লৈকোনগী ফজবা পূম্নমক পূক্নিং চংনা মমিৎ থিৎনা য়েংজরম্মী। অমুক হলক্লবা মতুংদা অশিংবা নুপা অদুদা পূম্নমক অদু শিংথারদুনা ৱারী লিরম্মী।

'অদুবু ঐহাক্কা শিন্নখিবা চমস অমদি থাও মরিকশিং অদুদি কমদৌরবা?' অশিংবা নুপা অদুনা হংলকই। নুপামচা অদুনা হন্না য়েংথরুবা মতমদদি চমস অদুদা থাও অমত্তা য়াওরমদ্রে।

'ফরে ঐনা নঙোন্দা পীগদবা নুংঙাইবগী লাইৱা হায়ববু নহাক্না য়েংলুবা ফজবশিং অদুবু নুংঙাইনা য়েংগদবনি অদুগা নখূৎতা পায়রিবা চমস অমদি থাও মরিকশিং অদুসু কাওরোইদৌবনি।' অশিংবা নুপা অদুনা হায়রকই।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No. 779/SDC/P of 2019

1. Aribam Baleshor Sharma S/o A. Bamonchandra Sharma of Brahmapur Aribam Leikai
2. -do Bikeshwor Sharma S/o -do- of -do-

- Petitioners

-Verses-

Aribam (O) Kunjashwori Devi W/o A. Bamonchandra Sharma of Brahmapur Aribam Leikai

- O.P.

NOTICE

Porompat,the 15th May, 2019

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Wangkhei Panchim গী Patta No. 205 (অরিবা) 299 (অনৌবা) C.S. Dag No. 308 an area .17 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East, Manipur

SL/Bill(L)D/16

[illegible]/ WALLET LOST

I have lost my Wallet including Service ID Card, ATM Card-2, Driving Licence on the way in between Wahengleikai and Sagolband Parking on 14th May, 2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
(Meitram Nandajit Singh)
Contact no. 8794392319

SL/Bill(L)J/16

EMPLOYMENT NEWS
থবক্কী পাও

UP NRHM Recruitment 2019

UPNRHM aka National Health Mission, Uttar Pradesh invites Application for the post of 6000 Community Health Officers (CHO) Vacancy. Apply Online before 23 May 2019. NRHM UP Recruitment Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below… Official Website is www.upnrhm.gov.in

*National Health Mission – NHM UP Recruitment – 6000 Community Health Officers (CHO) Vacancy – **Last Date 23 May 2019***

Post Name	Community Health Officers (CHO)
No of NRHM UP Vacancy	6000
Pay Scale	20000 – 35000/- (Per Month)
upnrhm.gov.in Qualification	B.Sc Nursing, Diploma
Age limit	35 years
UPNRHM Job Location	Uttar Pradesh

…………………………………………………………………………

Join Indian Army Recruitment 2019

Indian Army Invites applications for the post of 165 SSC Officer (Army Dental Corps), Soldier General Duty (Women Military Police), Soldier General, Soldier Clerk, Soldier Technical & Various Vacancy 2019. Indian army recruitment Qualification/ eligibility conditions, how to Registration & other rules are give below… Official website is www.joinindianarmy.nic.in

*Join Indian Army Recruitment – 65 SSC Officer (Army Dental Corps) Vacancy – **Last Date 10 June 2019***

Post Name	SSC Officer (Army Dental Corps)
No Of Indian Army Vacancy	65
Pay Scale	As Per Rules of Indian Army
joinindianarmy.nic.in Qualification	BDS/MDS
Age Limit	45 years
Indian Army Job Location	All India

য়ুমগী লায়য়েং

শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ

চাবা (চিঙ্গাক)

ঙরাংগী মখা…

হান্ননা এসিদনা হেন্না মফম অদুদা লৈজরবনি। ঈশিং অইংবনা ইরুবা, খূদৈনা তকপা, লিভরগী নুংঙাইতবা পূম্নমক ফহনবা ঙমই। অইংবনা ফত্ত হৌদি হকচাংদগী পুথোকখিবা হেনগৎহল্লি। মাংবা য়াহল্লি। ঈশিং হেন্না চৎহল্লি। কিদনিগুম্বদা থোম্বদি থুনা থোমগনি। থুনা লৌথোক্কদবনি। অদু নৎত্রবদি কিদনিদু ঈ পৈদুনা লৈখিবনা ঈশিং পনগনি। তেন্না থোম্বদি কিদনিগী থবক ফহল্লি। অরুম হৌবদা থোম্বদা চথোরকপা ঈশিংদা অমোৎপা হেনগৎনা লাকইবা অদুনি। অইংবনা ইরুজথোকপদা থুনমক হন্না য়ৈরকপা থবক্কা হুমাং য়াম্না থোকহল্লি। কুইনা ইরুজদুনা লৈরবদি হুমাং কুইনা থোক্তে। অহিং মিশেল খাঙদুনা ইতুম তুমদ্রবদি নারভস ওই অদুগা মীৎ–না পূম্নমক ইপঙ পঙথৈ, হৈনীংদে, উইনীংদুনা লৈ। মদুসু তুমদবদগী ফত্ত–হৌদি পৈদুনা লৈবদগী থোকপনি। ঈশিং অইংবদা খরা কুইনা, ইরুজথোক্লগা নুংঙাইতবা খুদম পূম্নমক মাঙখি। ঈশিং অইংবা থোম্বা অমসুং ইরুজবনা হকচাংগী অইং–অশাদা করি পুরকপা ঙম্বগে হায়বা খঙলে। শাগৎহনগে ইংহনগে হায়বগী নিয়মসু খঙবীরে। হৌজিক ঈশিং অশাবা অইংবা পাক চাউনা পীকশন্না থোম্বনা করি পুরকপগে খঙবীরে। নাতোন্দা নাহি তারগা শো চবুন নৎত্রগা অইংবা য়োৎতেক অমা য়াঙ মথক্তা থম্বদা নাহিদু তাবা হেক্তা ফৈ। ঈশিং অইংবা, উন কুইনা মথক থংবা য়াঙদা য়ৈবদা, থোম্বদা নাতোনগী উনশা মনুংগী মপ্রামদা ঈ পনবা হেক্তা তাম্হোকই, ফহল্লি। মায়দা খূৎতা খোঙদা থোম্বনসু মদুগা চপ মান্নবা মওংদা থোকই।

কোক, ঙকশম, মায়, খোঙ, খূৎতা অইংবা থোম্বনা থোপ্তা থবক তৌহনবা ঙমই। চনীংদা অইংবা থোম্বসু থোপ্তা থবক তৌহল্লি। থবাক্তা অমসুং নাকথংদা ঈশিং থোম্বনা থম্বোম্বীগী থবক তৌহল্লি। পুক্কী উনশা মথক্তা থোম্বনা পুক্কী থবক তৌহল্লি হায়না পনখ্রে।

য়েৎ থংবা নাকথংদা থোল্লগা ফিরাক অদুগা ওই থংবদা থোল্লগা পৈগী থবক তৌহল্লি। কিদনিগী ওইরগা রিফ্লেক্স–এক্সনগী ওইনদি পুক্কী মথক থংবা লম্বারগী শরুক (য়াঙ) নৎত্রগা খোঙদা থোমউ। মসিদি খোঙ নৎত্রগা চনীংগী মকা লম্বাররোমদগী ব্লদরদা শোকহনবা ওইরবদি কান্নবা খঙগনি।

ইউতরসতা ওইরবদি থবাক, খূৎ, ফৈগন, মনুং–থংবা, চনীং খোঙ, য়াঙগী লম্বারগী শরুক্তা ঈশিং অইংবনা থোমউ। হিষ্টিরিয়ানা নাবদা হায়রিবা মপ্রাম অসিদা উন য়ানবা ঈশিং থোম্বদা ইউতরসতগী হৌবা ওইরবদি য়াম্না পোথাহল্লি। কূপ্না য়েংলগা মফম অমগীদমক ঈশিং থোম্বা য়ৈবদা অতোপ্পা শোকহন্দবা য়াদে। হকচাংগী মনুংগী ইন্দ্রিশিং অসি অমগা অমগা নকুবা মরী লৈ হায়বসি তাকই। অদুনা ঈশিং অসি সাইন্টিফিক ওইনা শেন্নদুনা কান্নবা ফংগে হায়রবদি এক্সন, রিএক্সন মতোমদা লাকচবা রিফ্লেক্স–এক্সন কূপ্না খঙবা তাবনি। অনাবা লায়েংবগীদমক ঈশিং শীজিন্নগে হায়রবদি ফজনা পূম্নমক অসি খঙবীবা তাই। অদুগা থোক্লকইবা পূম্নমক অসিবুসু পুরক্লিবা নীয়ম ময়াম অদু মুন্না খঙবা তাই। হায়বদি থোম্বদুনা ঈচেলদা থোকহনবা থবক মতোমতা লাকচবা থোম্বগী থবক্তগী লাকপা অমসুং হল্লকপদা লাকপা থবক খঙদ্রবদি করম্না রিএক্সন থিংগনি? ঈ থোকপা, য়াম্না থীনা চীকপা করম্না থিংগনি? অইংবদু মতাং অমদা কুইনা থোম্বা তাবনি। রিএক্সন পম্বুবা ওইরগনা ঙহাক্তা থোম্বা অদুগা নানবমক তৌবা তাই। থোম্বগী থবক্তগী লাকপা থবক্কা ঈচেলগদি লোয়ননা চৎলি। ঈচেল্লোমদা লাকপা থবক্না মরু ওইনা পনবনি।

ঈশিং অইংবা থোম্বনা (১) অহানবা ইংহনবা, (২) অনী শুবনা রিএক্সন, (৩) অহুম শুবনা অহানবা অনীশুবা পুন্না ফংবা তোনিক ওইবা থবক অমা ফংবনি।

মথং মথং …